ওল মণিপুর কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পেসেন্টস ৱেলফ্যের এসোসিএসন, তেরা খম্নাম লৈরক, ইম্ফাল ৱেষ্টনা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পেসেন্ট (কে টি পি)শিংনা চারিবা হিদাক অহানবা ফেজগী ওইনা পেসেন্ট ২৫দা য়েন্থোকখিবা

এম পি পিনা লাক্নদৌরিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা ষ্টেট এসেম্ব্লী ইলেক্সনদা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইনা অন্দ্রো এ সী অমসুং সেকমাই এ সীদা মীরেপ ওইগদৌরিবা অশৈবম বেলে অমসুং এন প্রিয়ানন্দবু তরাম্না ওকখিবা

মণিপুর ষ্টেটকী অহানবা পেসেঞ্জর পুগদবা বোগ্গি ১০ য়াওবা ট্রেন অমা সিলচর রেলৱে ষ্টেসনদগী চাংয়েং ওইনা নোর্থ ফ্রন্টিয়র রেলৱেগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা লমথারকখ্রবা মতুং জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলখিবা

৩৩-হৈরোক এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা চন্দ্রখোং খুলদা হৈরোক ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি কোভিদ-১৯ ফাইটিং য়ুনিটনা ১১ রকশুবা তেংবাঙ ওইনা নুংতি নুমীৎ খূদিংগী মথৌ তাবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা

ভেক্সিন কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স ৱার্দ নম্বর ৯ কৈশামথোং এ সীগী মণিপুর লৈঙাক্কী মীৎয়েং মখাদা হৌখিবা জুন ২৯দগী হৌদুনা চথরকপা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু ইম্ফাল রাইজিং য়ুথ ক্লব, কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় মনিং কম্যুনিটি হোলদা চহী ১৮গী মথক্তা লৈবা মীওই ২০০ হেন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে। ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অদু ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী, টি ঐচ কিরনকুমারসু লাক্তুনা য়েংশিল্লমখি। অদুগা হেন্দ সেনিটাইজর অমদি মাস্কনচিংবসু পীবীরমখি। লোয়ননা পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ মণিপুরগী কনভিনর বি কে মোইরাংচানা লুচিংবা টিমসু লাক্তুনা য়েংশিনবীরমখি হায়না কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স ৱার্দ নম্বর ৯ কৈশামথোং এ সীগী চ্যেরমেন ঐচ শ্যামকন্থইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হিদাক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পেসেন্টস ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পেসেন্ট (কে টি পি)শিংনা চারিবা হিদাক অহানবা ফেজগী ওইনা মীওই ২৫দা য়েন্থোকখ্রে হায়না ওল মণিপুর কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পেসেন্টস ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মীদিয়া এদভাইজর ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হিদাক য়েন্থোকপগী থৌরমদা এ এম কে টি পি দব্লিয়ু এগী মীদিয়াগী এদভাইজর ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা হায়খি, য়েন্থোক্লিবা হিদাকশিং কে টি পি কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা পীরকপা হিদাক অমদি মীয়াম্না শেল ওইনা তেংবাঙবীরকপা অদুনা এসোসিএসনদা রেজিষ্টর তৌরবা মেম্বরশিংদা খরা হেন্না শোত্থবশিং খনগৎতুনা অহানবা ফেজগী ওইনা মীওই ২৫দা লেম্না হিদাকশিং য়ুম-য়ুমদা চৎতুনা য়েন্থোকচবনি। অতৈ লৈহৌরিবা মেম্বরশিংসু ফেজ নাইনা য়েন্থোকচগনি। রেজিষ্টর তৌরবা মেম্বরশিংনসু ইশা-ইশানা চারিবা হিদাকশিং অদু এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ বাদন মীতৈদা পাউ ফাওদুনা খঙহনবীরকউ। য়ুমদা হিদাক থিল্লক্লবা শেম-শাদুনা লৈজরি হায়খি।

হিদাক য়েন্থোকপা অদুদা ওল মণিপুর কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পেসেন্টস ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ বাদন মীতৈ অমদি এন আর ট্রান্সপোর্টকী এম দি, এন আর রাজেশসু শরুক য়াখি হায়না চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ব্রাহ্মিন ওর্গনাইজেসনগী এদভাইজর ওইনা থৌ পুরিবা অধিকারিময়ুম যসোবন্ত শর্ম্মগী লোয়নবী অধিকারিময়ুম শর্দনা বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লকপদা ওল মণিপুর ব্রাহ্মিন ওর্গনাইজেসন (এ এম বি ও)না নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা বি জে পি মণিপুরবুসু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না ওল মণিপুর ব্রাহ্মিন ওর্গনাইজেসনগী কন্ভিনর এ মঙ্গিসনা শর্ম্মানা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

ঈশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): বি জে পি মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল মেম্বর অমদি কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোর্স বি জে পি লম্লাই মন্দলগী চ্যেরমেন কে ঐচ ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা বি জে পি বুথ লেভেল কম্মিটি লম্লাইগা খুৎশম্নরগা লম্লাইদা মীওই ৩১ পোজিটিভ ওইবা অনী লৈখিদবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ১৬তা থক্লবা ঈশিং য়েন্থোকখ্রে। থৌরমগা মরী লৈননা কে ঐচ ইবোমচানা কোভিদ লাইচৎ অসি লাইথোকপা য়াদ্রি। মীয়াম্না কোভিদতগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা টেষ্ট তৌথোক্তুনা পোজিটিভ ওই ওইদে খঙদোকপগা লোয়ননা মতম চানা ভেক্সিন কাপথোকসি হায়খি।

লৈঙাক্না চেকশিনবা ৱাৎপদগী লমদম অসিদা কোভিদ পেন্দমিক্না মখা তানা অকনবা চৈথেং পীরকপনি : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): মালেমগী লৈবাক খূদিংমক্তা চৈথেং পীরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা লৈবাক অসিদসু অকনবা চৈথেং পীরি। লৈবাক অসিগী ষ্টেট খরদদি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং হান্নগা য়েংনরুবদা য়াম্না হন্থখ্রে। অদুবু লমদম অসিগী ওইনদি লৈঙাক্না পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মপুং ফানা পায়খৎতবনা মরম ওইরগা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মখা তানা চৈথেং পীরি হায়না ওল মণিপুর মিদ দে মিল ৱার্কর্রস য়ুনিয়ন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট এস মাইনৌ অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি অরাম্বম থোই চনুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা অমদি লৈবাক অসিদা ওক্সিজেন অমসুং পেসেন্টশিং লৈনবা ফমুংশিং হোস্পিটালদা মতিক চানা লৈতবনা মরম ওইরগা মী শিবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি। মরক অসিদা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা শীংথাবা য়াবা থবক কয়া পাঙথোকখ্রে হায়না ফোঙদোক্লি। মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা য়েংশিনবা ৱাৎপদগী মীওই কয়াগী মরূপ-মপাংশিং অমদি মরী-মতা কয়া লায়না লাইচৎ অসিনা শিহনখ্রে। গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা মতিক চাবা হেল্থ ক্যের সিষ্টেম লৈতবনা মরম ওইরগা মীওই কয়া প্রাইভেট হোস্পিটালদা শেল তীংনা চৎতুনা লায়েংনরি। লোকদাউননা মরম ওইরগা হৌখিবা চহী অমা মখায়রোম অসিদা শুফম-নোম্ফম লৈরক্তবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা নোংমগী শুরগা হিংবা মীওইশিংদদি অমুক্তা হেন্না খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লি। প্রাইভেট ফার্মশিংদা থবক তৌরম্বা মীওই কয়া থবক চৎপা য়ারক্তবদগী মখোয়গী খুৎশুমলশিং ফংদ্রে। মরক অসিদা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল খঙহৌদনা হেনগৎলকখিবা অসিনা মরম ওইরগা হেন্না অমুক অৱাবা তাহল্লে হায়রি।

সেন্টরদা লৈরিবা মকোক থোংবশিংনা গভর্ণমেন্ট সেক্তরশিংগী চাউখৎনবা হোৎনবগী মহুৎতা লন্নাই ফার্মশিংদা য়েন্থোকপগী থবক পাক শন্না চথরক্লি। গভর্ণমেন্টনা পব্লিক সেক্তরশিং মরুওইনা রেলৱে, বেঙ্ক, ইলেক্ট্রিসিটি, ইন্স্যুরেন্স অমদি অতোপ্পা পব্লিক সেক্তর কয়া অচৌ-অচৌবা কোর্পোরেটশিংদা য়েন্থোক্লি। মসিদা নত্তনা মমাঙ চহীদা সেন্টরনা পাস তৌখিবা ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা লৌমীশিংনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংশিং লৈঙাক্না উশিন্নদনা লৈরি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইরগা স্কুলশিং থোঙ লোন্নখ্রবসু মিদ দেল মিল ৱার্করশিংনদি মহৈরোয়শিংগী য়ুম-য়ুমদা চৎতুনা মথৌ তাবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্লি। মিদ দে মিল ৱার্করশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী স্কুলশিংগী ওজাশিং অমসুং ষ্টাফশিংগী মতেং পাংদুনা লাক্লি। মিদ দে মিল ৱার্করশিংবু মরুওইনা মীনা শুবদা তনবা থবকশিং শুহন্নবগীদমক নেক্লি। স্কুলগী পিওনগী থাক্তগী হৌরগা লৈকোল শেম্বগী থবক অমদি অতোপ্পা কন্সট্রক্সনগী থবকশিংদা মিদ দে মিল ৱার্করশিং নেক্তুনা শীজিন্নরি। মখোয়শিং অসি স্কুলদা অয়ুক পুং ৮দগী হৌরগা নুংথিল পুং ২ ফাওবা নমদুনা লৈহল্লি। মিদ দে মিল ৱার্করশিংনা কথোকপগা লোয়ননা থবক শুরবসু মখোয়গী খুৎশুমল মতিক চানা পীবীদ্রি। খুৎশুমল পীক্না পীবগী মথক্তা চাং নাইনা পীথোক্তবনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মসিনা মরম ওইরগা মিদ দে মিল ৱার্করস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা লৈবাক পুম্বদা থা অসিগী ১১ দা চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিবু শৌগৎপা ওইনা মিদ দে মিল ৱার্করস মণিপুরনসু লমদম অসিদা খোঙজং অসি চঙশিনগনি হায়রি।

অমরোমদা, মিদ দে মিল ৱার্করশিংনা গভর্ণমেন্টতা তোঙান তোঙানবা মখলগী দিমান্দশিং তৌরক্লি। দিমান্দশিং অদুগী মনুংদা মরুওইনা মিদ দে মিল ৱার্করশিংবু কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোকপা, ৱার্করশিংগী ইমুংদা থা খূদিংগী ওইনা চেঙ কেজি ১০ লেম্না পীবা, মিদ দে মিল ৱার্করশিংবু মরম চাদনা থবক্তগী লৌথোকপা থিংবা অমদি সেন্টরনা পাস তৌখিবা ফার্ম লো অহুম রিপিল তৌবা হায়বনচিংবা য়াওরি হায়রি।

'মতম পুন্বদা ইরমদম অসিগী লৌবুকশিংদা ঈশিং ফংহনবা য়াবা মেকানিজম পুথোকপীয়ু'

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): হৌজিক ইঙা থা, কুমগী লৌ উনবা থানি। অদুবু হৌজিক ফাওবা নোং নীংথিনা চুদবনা মরম ওইরদুনা মণিপুরগী লৌমী কয়া কোক্তা খুৎ হাপ্পরে। মতম পুন্বদা ইরমদম অসিগী লৌবুকশিংদা ঈশিং ফংহনবা য়াবা মেকানিজম অমা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা পুথোকপীয়ু হায়না খাঙবোক দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (কে দি এস) পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন কিরনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা চহী ২০২০দগী কোভিদ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লিবা লমদম অসিগী লৌমী-শিন্মীশিংনা হৌজিক কুম অমগী লৌ উনগদবা, লৌ হুনগদবা মতম অসিদা ঈশিং ফংদবা হায়বসিদগী হেন্না অৱাবা অমা কদায়দগী লৌরুগনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থা অমদা মীওই অমমমগী চাকথুংনি হায়না চেঙ চাক কয়া পীবীরি। মদুগীদমক্তসু লৈঙাকপু থাগৎলি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীবীরিবশিং অদুনা ইমুং-মনুংশিংদা মতেং খরা খরা পাংলবসু মদুমক্না পুন্সি লেনবদি ওইথোক্তবনি। মরম অসিনা লৌমী-শিন্মীশিংগী তঙাইফদনা কুম অমগী লৌ পান্দবা য়াদে হায়বসিনা অমত্তা ঙাইরবা লাইনিং ওইরিবনি। ঙসি চাউখৎলবা মতম অসিদদি লৌউ-শিংউবগী লম অসিদা কুমগী নোংজুখক্তা ঙাইদুনা লৈবা য়াদ্রবা মতমনি। ঈথৈ-লৌখোং কয়া মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎতুনা, দাম কয়া শাদুনা লৌমীশিংদা মতম চানা ঈশিং ফংহন্নবনি হায়দুনা মতম-মতমগী লৈঙাক্না অকনবা থবক পায়খৎতুনা লাক্লি। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবা মায় পাকপগী চাংদি য়াম্না নেম্লি। মণিপুরগী লৌফম অয়াম্বদা হৌজিক ঈশিং ফংনদবগী অৱাবা পাউ কয়া তারি।

অসিগুম্বা অৱাবশিং অসিগী মনুং চন্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈরিবা হয়েল লৌবুকতগী চরাংপাৎ তাবা লম্বীদা লৈবা হয়েল লৌকোন হায়না খঙনরিবা লৌকোন অসিদসু হৌজিক ঈশিং ফংদবগী অৱাবা চাউনা মায়োক্লরি। ঈশিং ফংদবগী অৱাবা চাউনা মায়োক্লরবসু হয়েল লৌকোনগী লৌমীশিংনা লৌ উদবা য়াদে, লৌ পান্দবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন অসিনা মাঙদা থল্লগা লৌমীশিংনা ৱাটর টেঙ্ক শীজিন্নদুনা কংলবা, ঈশিং ফংদ্রবা লৌফমশিংদা ঈশিং থাজিন্দুনা লৌ পান্ননবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি।

মণিপুরগী লৌফম কয়াদা লৌউ থা মতম অসিদা ঈশিং ফংনদবগী অৱাবা অসি চহী কয়াগী মমাঙদগী মায়োক্লদুনা লাক্লবসু হৌজিক ফাওবা মসিগী প্রিভেন্টিভ মিজরদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পুথোরকপগী মমিদি উদ্রি। মসিমক্তি লৌমী খুন্নাইগীদা নত্তনা লৈবাক খুন্নাই অসিগী য়াম্নমক লাইবক থীবনি। লৌমী য়াওদনা লৈবাক খুন্নাই অমা লিংবা ওইথোক্তে হায়বসি লৈঙাক্না কাউথোকপীরোইদবনি। মরম অসিনা লৌমী চা কয়াগী অৱাবশিং য়েংবীরগা মতম পুন্বদা ইরমদম অসিগী লৌবুকশিংদা ঈশিং ফংহনবা য়াবা মেকানিজম অমা পুথোকপীয়ু, লম্বী য়াৎপীয়ু হায়না খাঙবোক দিভেলপমেন্ট সোসাইটিনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চরাংপাৎ মনিং লৈকায়গী মীওই ২৩০ রোমদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): তমথীরবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমদি কোভিদ-১৯ ফ্রী ওইবা লৈকায় অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা দিফেন্স য়ুনিয়ন ক্লব, চরাংপাৎ মনিং লৈকায়না চরাংপাৎ প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরগা খুৎশম্নরগা চহী ১৮গী মথক্তা লৈবা মীওই ২৩০ রোমদা কোভিদ-১৯ ফর্ষ্ট দোজগী ভেক্সিন কাপথোকখ্রে হায়না ক্লব অসিগী গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরি খারিবম রতননা ফোঙদোকখ্রে।

লৈকায় অসিবু কোল্লিবা ৱার্দ নম্বর ৫, ৯ অমসুং ১০গী মেম্বরশিং অমদি চরাংপাৎ কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অদুদা খারিবম রতননা ফোঙদোকখিবদা, চরাংপাৎ মনিং লৈকায় অসি ভোটর ৯০০ রোমদং লৈবা অপীকপা খুল অমনি। খুল অসিদা কোভিদ-১৯ ফর্ষ্ট দোজগী ভেক্সিন কাপথোক্তবা মীওই ৩০০ রোম লৈরি হায়বগী পাউ ফংবদগী ঙসিগী ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকচবনি। পীকখ্রবা লৈকায় অসিদা কোভিদকী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইরগা মীওই ১০ রোম নাদুনা তোঙান তোঙানবা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈরি। মখোয়শিং অসি হেক ফগৎলকপগা মখা তানা কোভিদ নাদবা কোভিদ ফ্রী ওইবা লৈকায় অমা ওইনবা হোৎনরগনি।

ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অদুদা ৱার্দ নম্বর ৫গী মেম্বর কোন্সম ওংবী সুরবালা, ৱার্দ নম্বর ৯গী মেম্বর খারিবম ওংবী শান্তিবালা, ৱার্দ নম্বর ১০গী মেম্বর থিয়াম ওংবী খম্বী, দিফেন্স য়ুনিয়ন ক্লব অমদি চরাংপাৎ কোভিদ টাস্ক ফোর্সকী মরুওইবা থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা ৱার্দ নম্বর ৫গী মেম্বর কোন্সম সুরবালানা হায়খি, চরাংপাৎ পি ঐচ সীদা চরাংপাৎকী ওইবা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসি মমাঙদা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে। অদুবু মী য়াম্না থোরকপা ৱাৎপদগী লৈকায়গী ৱার্দশিং খুৎশম্নরগা পাঙথোকপনি। তমথিরবা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবগী পান্দমদা কথোকপগা লোয়ননা অচৌবা থৌদাং লৌবীখিবা চরাংপাৎ পি ঐচ সীগী ডোক্তরশিং, নর্সশিং, আশাশিং, অতৈ হেল্থ ৱার্করশিং, ক্লবকী থৌমীশিং অমদি টাস্ক ফোর্সকী ইচিল-ইনাওশিংবু থাগৎচরি। মখা তাবদসু পুন্না কোভিদ-১৯ লান্থেংমিন্নসি। ঙসিগী থৌরম অদুদা অহল ওইরবা কয়াসু থোরক্তুনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লখি হায়রি।

'বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী লৌমী কয়া কোক্তা খুৎ হাপ্পরে'

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী পাক্লবা লৌকোন জুলাই ২ য়ৌশিল্লক্লবা ফাওবা লৌবুক্তা ঈশিং ফংদবগী খুদোংথিবনা লৌ নীংথিনা পানবা য়াদবগী ফীভমদা লৈবদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লৌমী কয়া কোক্তা খুৎ হাপ্পরে হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক তারক্লিবা নোংজু অসিদি লৌবুক্কী লৈবাক থোৎপা ঙম্বা নোংজু নত্তে। চীংনুং মানুংদগী চেন্থরক্কদবা ঈশিংগী চাংসু চাদা ১০০ হন্থরে। মরম অদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কুম্বীদগী ওইনাম নম্বোল ফাওবদা লৈরিবা লৌকোন অয়াম্বা ঈশিং থাজিন্নিংঙাই অমসুং লৌবুক্তা তারকপা নত্তবনা মতম হেনজিনখিগদৌরে হায়দুনা মহৌশা তৌনরম্বা কংনা হুনবী-পুংহুন হায়বদু তৌনরে। পুংহুন তৌনবদা মমাঙ চহীদসু য়াম্না মাঙনখিবা য়াওখি। মরম অদুনা লৌমী কয়া অমদি নীংজিং মাংজিন্নরি। তশেংনা হায়রবদা ঈকং থোকপা চহীগা চপ মান্নরে। য়াম্না থিনা শোক্লিবা মফমশিংদি নিংথৌখোংদগীনা কুম্বী ফাওবদা লৈরিবা টিদ্দিম রোদকী মনিং অমসুং খা থংবা লৌকোলশিংনা হেন্না শোক্লি। মরম অদুনা এল এল আইগী মোইরাং লো লেভেল কেনেল অসিদা লৈঙাক্না লোক্তাক্তগী ঈশিং থাগৎলক্লবদি খরমখে লৌ পানবা য়াগনি। অথুবদা কেনেল অসিবু রিপ্যারিং তৌবীদুনা লৌমীগী পুন্সি কন্নবা হোৎনবীয়ু। মোইরাং এ সী, থাঙ্গা এ সী অমদি কুম্বী এ সীগী এম এল এশিংনসু অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চন্দ্রখোংগী য়ুমথোঙ ২৩১দা চান থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): ৩৩-হৈরোক এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা চন্দ্রখোং খুলদা হৈরোক ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি কোভিদ-১৯ ফাইটিং য়ুনিটনা ১১ রকশুবা তেংবাঙ ওইনা নুংতি নুমীৎ খূদিংগী মথৌ তাবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং চেঙ, আলু, অচাথাউ, হৱাই, থুম, ঙারি চন্দ্রখোং খুলগী য়ুমথোঙ ২৩১দা তেংবাঙখ্রে।

চন্দ্রখোং সোসল ৱেলফ্যের ক্লবকী প্রসিদেন্ট খাঙেম্বম তোম্বনা তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু য়েন্থোক্লদুনা হায়, ঙসি নুংতি নুমীৎ খূদিংগী মথৌ তাবা পোৎলমশিং অদু ক্লব অসিনা হৈরোক ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি কোভিদ-১৯ ফাইটিং য়ুনিটতা তেংবাঙবীনবা হায়জরুবদা তেংবাঙবীরক্তুনা অচা-অথকশিং অদু য়েন্থোকখিবনি।

মীওই ৮০০ রোম লৈবা চন্দ্রখোং খুল অসিদা মীওই ১১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী হৌখিবা জুন ২৬/২৭তা মাস টেষ্টিং ওইনা মীওই ৩২০ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩৭ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। হৌজিক খুল অসিদা মীওই ৪৮ পোজিটিভ ওইদুনা য়াম্না অৱাবা ফীভম অমা মায়োক্লদুনা লৈরি। হৌজিক হৌজিক হৈরোক এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা কঙ্গারোক দাইট সেন্টরদা হাংদোক্লিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরদা লায়েংলি। মীওই ১১ দিসচার্জ তৌরক্তুনা য়ুমদা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরি। হৌজিক খুল অসিদা টেষ্ট তৌগদবা মীয়াম অমসু লৈরি। অদুবু লায়েংনবা সেন্টর অসি মী চন্দবনা মরম ওইরগা টেষ্ট তৌদনা লৈরি। কোভিদ-১৯ ফাইটিং য়ুনিটনা খুল অসিদা মতেং পাংবীবগীদমক খুল অসিগী মহুৎ শীন্দুনা ক্লবকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকখি।

অকোম লূপ কংলৈপাক্কী ২১শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): অকোম লূপ কংলৈপাক্কী ২১শুবা মপোক কুমওন অচম্বা থৌরমশিংগা লোয়ননা ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়না অকোম লূপ কংলৈপাক্কী পব্লিসিটি সেক্রেটরি অঙৌতোন খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট সঞ্জিৎ সোরাইশমনা লুচিংবা টিম অমনা মপোক কুমওন অসিগা মরী লৈননা কৈবীদা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোম অমদি নম্বোল ওইনামদা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা চেঙ, হৱাই, থুম, থাউ, আলু, তিলহৌ অমদি অচা-অথকশিং তেংবাঙদুনা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা লূপ অসিগী হেদ ওফিসতা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্তুনা পাঙথোকখ্রে। মপোক কুমওন থৌরম অসিগা মরী লৈননা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট সঞ্জিৎ সোরাইশমনা লমদম অসিদা কোভিদকী চৈথেংনা মরম ওইরগা তৌগে খনবা থবক থৌরম কয়া মপুং ফানবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। কোভিদ-১৯গী লুরবা তানফম অসিদা ঐখোয় পুম্নমক্না তমথিরবা লায়না অসিবু মায়থীবা পীনবা মতম-মতমগী লৈঙাক্না পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং নীংথিনা ইনদুনা লমদম অসিদগী লায়না অসি মপুং ফানা লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুম্নমক্কী থৌদাং লৌমিন্নরসি। মপোক কুমওন নুমীৎ অসিনা লাকপসিদা লমদম অসিদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা কংলৈচা পুম্নমক্কী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীজরি। নুমীৎ অসিনা লাকপদা লমদম অসিদা ৱাত্ত-পাদবা, য়াইবী মরাং কায়বা, অমগা অমগা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা ওইরনসু হায়নসু চেরোলসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অপীকপা ফুরুপশিংগীদমক লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবা মতম ওইরে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): য়েলহৌঙৈদগী লমদম অসিদা খুন্দাদুনা লাক্লবা য়েক-সলাই লৈজবা অপীকপা ফুরুপশিংনা মশাগী শক্তম কন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মসিনা মরম ওইরগা অপীকপা ফুরুপশিংগী শক্তম কন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্না অহেনবা মীৎয়েং চঙবগী মতম ওইরে হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪দা বৃটিশনা কংলৈপাক থাদোকখ্রবা মতুং মণিপুর নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইখি। মতমদুগী লৈঙাক্না আইমোল ট্রাইবকীদমক্তা তেংনৌপল এরিয়াগী মফম খরা আইমোলশিংগীদমক্তা পীরমখি। মদুগী মতুং কুকিশিংনা লৈফম নীরকপদগী মতম খরগী ওইনা মফমদুদা খুন্দাহনখি। অদুবু ঙসিদি কুকিশিংনা লম অদু মখোয়গীনি হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা অপীকপা ফুরুপ ওইরিবা আইমোল ট্রাইবশিংদা হন্থনা তৌবা হৌরক্লে। মসিদা নত্তনা লমদম অসিগী লুচিংবা এন বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা ১১শুবা আই আর বি বট্টালিয়ন অমা সাইবোম ভিলেজদা শাননবা হোৎনরিবা অসিদা লমগী মপু ওইরিবা আইমোল ট্রাইবশিংবু নাথেরম্বা অসি লাইবক থীবনি হায়রি।

মণিপুরগী অহানবা পেসেঞ্জর পুবা ট্রেন ট্রাইয়েল তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী অহানবা ওইনা পেসেঞ্জর পুদুনা চেনবা হৌবা য়ানবা ট্রেন ঙসি অয়ুক পুং ১১ খরা হেল্লকপা অদুৱাইদা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা থুংখ্রে। পেসেঞ্জর ট্রেন অসি ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা সিলচর রেলৱে ষ্টেসনদগী পেসেঞ্জর য়াওদবা বোগ্গি ১০ পুদুনা থারকখি।

ঙসিগী ট্রেন অসিদা নৃপন ভট্টচারিয়া, সিনিয়র পব্লিক রিলেসন্স ওফিসর এন এফ রেলৱে, অব্দুল হকিম, সী দি ও সিলচর এন এফ রেলৱে, দি কে ককাতি, এ দি ঈ এন বি পি জি, এস দাস, এ দি সী সী/এ জি আর, দি ভগৱাতি, এ এক্স ঈ এন/সী ও এন জিরিবাম অমদি এস রোয় চৌধুরি, জে এফ/দব্লিয়ু/সী ও এন/জিরিবামনা য়েংশিনখ্রে। য়েংশিনবগী থৌরম অসিদা নৃপন ভট্টচারিয়া, সিনিয়র পব্লিক রিলেসন্স ওফিসর এন এফ রেলৱেনা পাউমীশিংদা হায়, অথুবা মতমদা বোঙ্গাইচুংপাওদগী সিলচর ফাওবা পেসেঞ্জর ট্রেন সর্ভিস থাবা হৌরগনি। মণিপুরদা লৈরিবা খ্বাইদগী শাংবা টনেল অসি শেম্বা হেক লোইবগা ইম্ফালদগী ট্রেন থাবা হৌরগনি অমদি ইন্দিয়াগী মফম মফমদা চৎপগী খুদোংচাবা লৈবগা লোয়ননা পেসেঞ্জর ট্রেন লাকপা অসিদা মণিপুরগী মীয়াম্না কান্নবা কয়ামরুম ফংগনি হায়বা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি। জুলাই থা অসিদদি শোয়দনা পেসেঞ্জর ট্রেন সর্ভিস হৌরগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। মসি রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুশ গোয়েলনা হৌদোক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি। মতুং জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদগী অমুক বোঙ্গাইচুংপাও রেলৱে ষ্টেসন ফাওবা ট্রাইয়েল মখা তৌখি। জিরিবাম অমদি বোঙ্গাইচুংপাওদা লৈরিবা মীয়ামনা হরাওবা ফোঙদোক্লখি।

কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): পাৎশোই পার্ট থ্রী অমদি পাৎশোই পার্ট ফোরগী ওইনা পাৎশোই পার্ট থ্রী কম্যুনিটি হোলদা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তা পাৎশোই এ সীগী এম এল এ, এ কে মিরাবাই অমদি দি সী ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীৎয়েং মখাদা ঙসি ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। লৈকায় অনী অসিদা অশানবা য়ুমদা লৈবা মীওইশিং য়াওনা পুন্না মীওই ৩০০দা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোকখ্রে হায়না পাৎশোই তুলিয়াইমা সেঞ্চ্যুরি ক্লব (পি টি সী সী)গী জেনরেল সেক্রেটরি মুতুম সনাতোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পাৎশোই তুলিয়াইমা সেঞ্চ্যুরি ক্লব, পাৎশোই পার্ট থ্রী অমদি পাৎশোই পার্ট ফোর য়ুনাইটেদ ক্লবনা শীঞ্জদুনা পাঙথোকখিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিবু চেকশিন্না শেন্নবীরম্বা এস দি এ পাৎশোই, লোইবফাওবা য়েংশিনবীরম্বা রেজিষ্ট্রার, পুকচেল চাউরবা মেদিকেল ষ্টাফশিং অমদি অথেংবা মতম ফাওবা দোক্যুমেন্টেসন তৌবীরম্বা কম্প্যুটর ষ্টাফশিং পুম্নমক্না হোৎনবীদুনা ঙসিগী থৌরম অসি মায় পাক্না পাঙথোকখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী অৱা-অনা তারবশিংদা পি ঐচ জিনা তেংবাঙবগী থৌরম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী মনুংদা লৈরিবা মীয়ামগী মরক্তা অনা-অয়েক নৎত্রগা থোকহন্নিংদবা থৌদোক্না মরম ওইরগা কা হেন্না ৱারবা মীওইশিং অমদি ইমুংশিংদা মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোন্দা লিংখৎখিবা পুন্না হিংমিন্নসি গ্রুপ (পি ঐচ জি), ৱাংজিংনা ঙসিদগী গ্রুপ অসিগী প্রসিদেন্ট পাওনম শান্তিকুমার, মীদিয়া এদভাইজর রাকেশ নাওরেম অমদি জেনরেল সেক্রেটরি এস জয়দেবনা তেংবাঙ থৌরম হৌদোকখ্রে হায়না গ্রুপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি চাওবা হৈখামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি গ্রুপ অসিগী ইহান হানবা তেংবাঙ ওইনা গ্রুপ অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা খোংজোম বজারদগী হৈগ্রুজম ইবোচৌবগী অপোকপা মপাবুং হৈগ্রুজম শ্যাম মৈতৈনা মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদবদগী ইমুং অসিদা নংহৌরিবা অৱাবদা গ্রুপ অসিগী মায়কৈদগী লুপা লিশিং ১৭কী মতেং পাংদুনা গ্রুপ অসিগী তেংবাঙবগী থৌরম অসি হৌদোকখিবনি।

তেংবাঙবগী থৌরম অদুদা গ্রুপসিগী ত্রেজরর থাংজম ব্রজকিশোর, এগজিক্যুটিভ মেম্বর এ একেলা অমদি গ্রুপসিগী মরুওইবা মেম্বর কয়ানা শরুক য়াখি।

তেংবাঙ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা গ্রুপ অসিগী সেক্রেটরি এস জয়দেবনা ফোঙদোকখিবদা, ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী মনুংদা অরুবা তমথীরবা অনা-অয়েক য়াওরকপা, হৌগৎ-কাংখৎ ঙমদ্রবা মীওইশিং, থোকহন্নিংদবা থৌদোক্না মরম ওইরগা অশি-অনা য়াওরক্তুনা অৱাবা তারবা ইমুংশিং অমদি পি ঐচ জিদা য়াওরিবা মেম্বরশিং অমসুং ইমুং-মনুংগী অৱা-অনা য়াওরকপা মতমদা মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোন অদুগী অহানবা থৌরম ওইনা ঙসিগী থৌরম তেংবাঙ থৌরম অসি হৌদোকচবনি। ৱাখল্লোন মান্নবা মীওই কয়ানা পুনশিন্নদুনা গ্রুপ অসি শেমজবনি। মেম্বর অমনা শুপ্পতগী লুপা ১০০/১০০ খায়গৎনরগা শেমজরিবা গ্রুপ অসিনা এ সী অসিগী কা হেন্না অৱা-অনা তারক্লবশিংদা লেপ্তুনা তেংবাঙজরগনি। ঐখোয়না অমনা অমগী অৱাবদা মতেং পাংনদুনা পুন্না হিংমিন্নসি।

থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা হৈগ্রুজম শ্যামগী মচানুপা হৈগ্রুজম ইবোচৌবনা মহাক্কী ইমুংদা পি ঐচ জিনা লুপা লিশিং ১৭ মতেং পাংবীরকপগীদমক পি ঐচ জিগী থৌমীশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। অদুবু পাংলক্লিবা শেনফম অদু হৌজিক হৌজিক অরুবা অনাবনা মরম ওইরগা হিদাক লাংথক লৈবা ঙমজদ্রবা এ সী অসিগী মীওইশিংগী ইমুংশিংদা ওইনা তেংবাঙনবা পি ঐচ জিগী সেক্রেটরি জয়দেবদা অমুক হন্না খুৎশিন্নখি।

ইবোচৌবনা হায়, ঐখোয়গী ইবোক-ইপুগী হাক্তক্তগী ঐখোয়গী ইমুংদা অশিবা য়াওরকপদা পোৎয়েং লৌবগী চৎনবী লৈরক্তে। লুহোংবা নৎত্রগনা য়ুম শঙ্গাবা অমদি অতৈ থৌরমশিংদদি অদুমক লৌদুনা লাক্লি। মরমসিনা ঐগী অপোকপা লৈখিদবগী অৱাবা তারিবা ঐগী ইমুংদা পাংবীরক্লিবা য়াল্লবা শেনফম অসি ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী কা হেন্না ৱারবা অমদি হৌজিক হৌজিক অরুবা লায়নানা নাদুনা লৈরিবা মীয়ামদা ওইনা তেংবাঙনবা পি ঐচ জিদা অমুক হন্না কথোকচরি। ঙসিগী থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা হৈগ্রুজম শ্যামগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা মহাক্কী থৱায়গীদমক থৌনিজখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মীয়ামদা লেম্না এম্বুলেন্স সর্ভিস ফংহল্লিবা এম কে বোনিবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসি লান্থেংনবদা অঙম্বা থৌনা পুথোক্তুনা মীয়ামদা লেম্না পুং ২৪ অনাবা পুথোক-পুশিন তৌরগা লমদম অসিগী মীয়ামগীদমক্তা কথোক্লিবা লিলোংদগী এম কে বোনি এলিয়স হবিবুরবু মণিপুর মুস্লিম মিররনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর মুস্লিম মিরর (এম এম এম)গী ফাউন্দর কম চ্যেরমেন মোহমদ ৱারিশ খাননা ফোঙদোরকপদা, এম এম এনা এম কে বোনিগা পাউ ফাওনরুবদা মহাক্না চহী অসিগী মে ২৮দগী হৌদুনা মীয়ামদা লেম্না এম্বুলেন্স সর্ভিস ফংহল্লক্লি। মহাক্না ঙরাং ফাওবদা মীওই ১০১ লায়েংনবগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা পুখৎতুনা মমল য়াল্লবা মীওইবগী পুন্সি কন্নবদা অচৌবা থৌদাং লৌখ্রে। হায়রিবা পেসেন্ট ১০১ অসিগী মনুংদা ৮০ রোমদি কোভিদ পেসেন্টনি। মহাক্না অনা-লায়েংগীদমক্তা লম অরাপ্পা অমদি অনকপা থিদনা পেসেন্টশিংগীদমক্তা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা ঙসি ফাওবা সর্ভিস তৌরক্লি। ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৫০ রোম লাপ্পা লৈবা ক্বাক্তাদগীসু হোস্পিটালদা অনাবা পুখৎখ্রে। ঙরাং ফাওবদা লিলোং, লিলোং চজিং, ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়, হৈরাঙ্গৈইথোং খোংনাং কারক, মতাই, য়াইরিপোক চঙমদবী, য়াইরিপোক তুলিহল, হিয়াংথাং, উরূপ, ৱাঙ্গৈই, অরাপতি, নম্বোলনচিংবা মফমশিংদগী অনা-লায়েংগীদমক্তা লেম্না এম্বুলেন্স সর্ভিস পীখ্রে হায়রি।

মহাক্না পেসেন্ট ১০১ এম্বুলেন্স সর্ভিস তৌরকপা অসিদা মীয়াম্না তেংবাঙ পীরকখিবা খরসু লৈখ্রে। লিলোং তুরেল অহনবী অতৌখোং জি পিগী উপ-প্রধান নেমা মপুরোইবা এম দি রমিজুদ্দিন অমদি তুরেল অহনবীদগী এম দি রমিজুদ্দিননা থাউ টেঙ্কি ফুল তৌবীরকখি। এস ঈ সী ও ক্লব হাওরৈবী মখা লৈকায়না লুপা ২০০০গী মতেং পীরকখ্রে। পেসেন্টশিংনা ফোন তৌরকপদা হেন্না খুদোংচানবগীদমক্তা চন্দ্রখোংদগী মককময়ুম ফিরোজ অহমদনা লেন্দলাইন ফোন অমা খুদোল তল্লকখ্রে হায়রি।

ৱারিশ খাননা হায়খি, এম কে বোনি ক্লাস থ্রী তল্লকপদা মহাক্কী অপোকপী লৈখিদে। ইকুইকুইদনা মহাক্কী অপোকপসু লৈখিদে। অপোকপা-অপোকপী কায়নখিবগী মৈচাক অৱাবা অতোপ্পদা থোকহল্লেই হায়বা ৱাখল্লোনদা মীয়ামগী থৌগল অসি তৌরকপনি। মীয়ামগীদমক্তা কথোক্লিবা এম কে বোনিবু ঐখোয় খূদিংমক্না শৌগৎমিন্নসি। এম্বুলেন্স মথৌ তবশিংনা ফোন নম্বর ৮৭৮৭৭৬৬১৭৮ দা পাউপীবীয়ু হায়খি।